## কোকপিত ভোইস রেকোর্দর ফংলে

করাচি, মে ২৯ (এজেন্সি) :
হৌখিবা মে ২২ দা করাচিদা কায়খিবা পাকিস্টান ইন্টরনেসনল এয়রলাইন্স (পি আই এ)গী প্লেন অদুগী কোকপিত ভোইস রেকোর্দর অকায়-অতোয় মরক্তগী ফংলে হায়না ইরাই নুমিত্তা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

পি আই এগী স্পোক্সমেন অব্দুল ঐচ খানগী ৱারেল পল্লদুনা এক্সপ্রেস ট্রিবুনগী রিপোর্টনা হায়, ঙসি অয়ুক থিবা-হুম্বা মখা চথুখি অমসুং ভোইস রেকোর্দর অদু কায়খিবা প্লেন অদুগী অকায়-অতোয় মরক্তা লৈরম্বা থেংনখি। কোকপিত ভোইস রেকোর্দর অসি ফংদ্রিঙৈগী মমাংদা ফ্লাইট দেতা রেকোর্দর হান্না ফংখ্রবনি।

## হল্লকপশিংনা কেস হেনগৎহনবা লেপত্রি

বেঙ্গলুরু, মে ২৯ (এজেন্সি) :
কর্নাতাকাদা মপান্দগী হল্লকপশিংনা ষ্টেট অসিগী কোভিদ-১৯ কেস মশিং হেনগৎহনবা হৌজিকসু লেপত্রি।

হৌখিবা পুং ১৯ অসিদা পুন্না কেস ১৭৮ দিটেক্ট তৌখিবগী মনুংদা চাদা ৯২ মহারাস্ত্রদগী হল্লকপশিং ওইখি। মখোয় থারগা ষ্টেট অসিগী ইনফেক্সন টেলি ২,৭১১ য়ৌরে হায়না ইরাই নুমিত্তা ষ্টেট ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

## টাইৱানবু মনীং তমহন্দনবগীদমক্তা তঙাইফদ্রবদি চাইনানা এটেক তৌগনি : তোপ চাইনিজ জেনরেল



বৈজিং, মে ২৯, (এজেন্সি) :
বৈজিংনা চাইনাগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা শরুক্কি হায়না ক্লেম তৌরিবা টাইৱান্না মনীং তম্মবা হোৎনবা লেপহন্নবগী অতৈ পান্থৈ লৈরক্ত্রবদি চাইনানা ইথৎ অসিদা শোয়দনা এটেক তৌগনি হায়না চাইনাগী সিনিয়র জেনরেলশিংগী মনুংনা অমনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

এন্টি-সেসেসন লোগী ১৫ শুবা এনিভর্সরিদা বৈজিংগী গ্রেটহোল ওফ পিপলদা ৱা ঙাঙলদুনা জে ইন্ট ষ্টাফ দিপার্টমেন্টকী চীফ অমসুং সেন্ট্রেল মিলিটরি কম্মিসনগী মেম্বর লি জৌচেংনা টাইৱানগী মায়োক্তা চাইনানা ফোর্স শীজিন্নবগী ওপসন অসি পনখিবনি।

কুমজা ২০০৫কী লো অসিনা চাইনাবু টাইৱানগী মায়োক্তা মিলিটরি এক্সন লৌখৎনবগী অয়াবা পীরি। করিগুম্বা টাইৱান্না চাইনাদগী মপুং ফানা নীংতম্নবা হোৎনরকপা তারবদি লো অসিগী মখাদা বৈজিংনা ইথৎ অসিদা এটেক তৌবা য়াবগী ফিভম লৈবনা হৌজিক টাইৱাই ষ্ট্রেট অসি লান থোকহল্লকপা য়াবগী মরম অমনি হায়না লৌনরি।

ঈংনা-চিক্না অমুক হন্না পুশিন্নবা হোৎনবগী থৌরাং মায় পাক্তবা তারবদি পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনাগী আর্মর্দ ফোর্সেসনা টাইৱানগী মীয়াম য়াওনা লৈবাক অপুম্বগী সপোর্টকা লোয়নন‌া তোখায়না তানবা হোৎনবগী থৌরাং-থৌশিল পুম্নমক মায় মাকহন্দনবা হোৎনবদা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং খুদিংমক লৌখৎকনি হায়না লিনা ফোঙদোকখি।

চাইনানা মমাংদা টাইৱানবু কন্ট্রোল তৌবগী মতাংদা ফোর্স শীজিন্নবগী ওপসন অসি কয়ারক হন্না পনখিবা লৈরবসু সর্ভিসতা লৈরিবা মকোক থোংবা মিলিটরি ওফিসর অমনা অসুম্না পব্লিক সেটিং অমদা মচা খায়না পন্দুনা ঙাঙবসি লিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসিনা অহানবনি হায়বা য়াই।

অমরোমদা, টাইৱানগী গভর্নমেন্টনা জেনরেল লিগী ৱাফম অসিবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লান তৌগনি হায়না কিহনবা হায়বসি ইন্টরনেসনল লো খোঙ্গাওনবগী থৌওংনি অমসুং টাইৱান কৈদৌঙৈদসু পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনাগী শরুক ওইখিদ্রি হায়না ফোঙদোকখ্রে। জেনরেল লি অসি কুমজা ১৯৭৯ দা চাইনানা ভিয়েটনামদা লান্দাবদা শরুক য়াখিবা এক্সপিরেন্স লৈরবা সিনিয়র আর্মি ওফিসর অমনি হায়রি।

## কোভিদ-১৯না নাদুনা রেদিও পাকিস্টানগী ষ্টাফ ২ শিরে



ইস্লামাবাদ, মে ২৯ (এজেন্সি) :
রেদিও পাকিস্টানগী ষ্টাফ অনী নোভেল কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন্না মরম ওইদুনা শিরে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

শগোলশেল নুমিত্তা পাকিস্টান ব্রোদকাষ্টিং কোর্পোরেসন (পি বি সী)না থোক্লকপা ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না ভিক্তিমশিং অদুদি সিনিয়র ব্রোদকাষ্টর এঞ্জিনিয়র মোহমদ অসফদ অমসুং উর্দু ন্যুজকাষ্টর অমা ওইরিবা হুমা জফরনি। মখোয় অনীমক চহী ২০ লোম চুপ্পা রেদিও পাকিস্টানগা শম্নরক্লবনি হায়রি।

রেদিও পাকিস্টানগী দেপ্যুটি কন্ট্রোলর ন্যুজ সাজদ পর্ভেজনা দোন ন্যুজদা ফোঙদোকখিবদা, হান্নদগী লংসকী লায়না অমা চেন্দুনা লাকপা অসফদ নুমিৎ ১০ নিগী মমাংদা কোভিদ-১৯ টেষ্টতা পোজিটিভ ওইবদগী মথন্তা তোঙান্না লৈরকখিবনি। মহাক্কী কিদনিশিং অদুসু মথৌ নীংথিনা তৌবা ঙম্লক্তবদগী দাইলাইসিস চথুখি। তৌইগুম্বসুং মহাক মখা তাবা লায়েংদা নীংথিনা রেস্পোন্দ তৌখিদবগা লোয়ননা লৈখিদ্রে হায়না পর্ভেজনা ফোঙদোকখি।

অনীশুবা ভিক্তিম অদুগী মতাংদা পল্লদুনা পর্ভেসনা হায়খি মদুদি, লাহোরদা লৈবা হুমাগী মচে কোভিদ-১৯ পেসেন্ট অমা ওইরকপদগী মহাক মমাগা লোয়ননা লাহোরদা চৎখি। খোঙচৎ অদুদা মহাক অমসুং মহাক্কী মমাসু ভাইরস অসি পল্লক্তুনা হৌখিবা য়ুমশকৈশাগী অহিংদা মহাক্কী মমা লৈখিদ্রবা মতুং শগোলশেল নুমিত্তা মহাকসু লৈখিদবনি। পি বি সীগী ইমপ্লোয়ী অমগী মতুং ইন্না এঞ্জিনিয়র ৯ কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা মরি পোজিটিভ ওইখি।

## ‘ইথিওপিয়াদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা এক্সট্রা জুদিসল মীহাৎ ৩৯ চথুখি’



অদিস অববা, মে ২৯ (এজেন্সি) :
ইথিওপিয়াগী ওরোমিয়া রিজন্দা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ওপোজিসন শৌগৎপা মীওই ৩৯ হাৎখি অমসুং খুৎলায় পায়বা গ্রুপ অমগী মেম্বরশিংনি হায়না মরাল শীখিবা অতৈ মীওই লিশিং কয়া ফাখি হায়না ইরাই নুমিত্তা এম্নেষ্টি ইন্টরনেসনলনা ফোঙদোকখ্রে।

রিপোর্ট অমদা রাইটস গ্রুপ অসিনা ভিক্তিমশিং অদুবু হান্না গভর্নমেন্টনা টেররিষ্ট মুভমেন্ট অমনি হায়না লাউথোকখ্রবা ওরোমো লিবরেসন ফ্রন্টকী খুৎলায় পায়বা মশা ওইরিবা ওরোমো লিবরেসন আর্মি শৌগৎপশিং হায়না ইথিওপিয়ন ফোর্সেসনা মরাল শীখি। গভর্নমেন্টনা টেররিষ্ট মুভমেন্টনি হায়না লাউথোকখ্রবা ফ্রন্ট অসি প্রাইম মিনিষ্টর অবিয়ে অহমদনদি অথিংবা থল্লি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈতে হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর অবিয়ে অহমদনা রিফোর্ম কয়া হৌদোক্নুনসু সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনবগী থৌওংশিং লেপ্তুনা চথুখি। মসি মরু ওইনা অসিগুম্বা থৌওংশিংদা চেন্নবশিং লোগী মতুং ইন্না লাকশিনবনচিংবা তৌদবদগীনি হায়না এম্নেষ্টি ইন্টরনেসনলগী ইথোপিয়া রিছার্সর ফিসেহা টেক্লেনা ফোঙদোকখি।

রাইটস গ্রুপ অসিনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসিগী মতাংদা করি লৈবগে হায়না হংবদা ইথিওপিয়ন আর্মি, প্রাইম মিনিষ্টর ওফিস অমসুং ওরোমিয়া অমদি অলহরা পুলিসনা করিমত্তা ফোঙদোরকখিদে হায়রি।

ইথিওপিয়াগী হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী মকোক দেনিয়ল বেকেলেনা এজেন্সিদা এম্নেষ্টিগী ফাইন্দিং অসি য়াম্না লুনা খন্নফম থোকই হায়খি। প্রাইম মিনিষ্টর অবিয়েনা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা থল্লিবা অথিংবা লৌথোকপা, পোলিটিকেল প্রিজনরশিং থাদোকপা অমদি ওরোমো লিবরেসন ফ্রন্টকুম্বা গ্রুপশিংগী লোইদা লৈরিবা মিলিটেন্টশিংবু তরাম্না ওকপা য়াওনা লৈবাক অসিদা রিফোর্ম কয়া পুরকখিবনি। তৌইগুম্বসুং রিফোর্মশিং অসিনা মতম শাংনা য়েংথিনদুনা লাকপা ইথনিক গ্রুপশিংগী মরক্তা উংখৎনবসু হেনগৎহনখি হায়রি।

## স্পেসল ষ্টেটস লৌথোকপা তারবদি য়ু এসতসু চৈথেং লাক্কনি



হোং কোং, মে ২৯ (এজেন্সি) :
চাইনানা হোং কোংদা নেসনল সিক্যুরিটি লেসিজলেসন চৎনহন্নবা হোৎনবগী মতাংদা চথুবা দিবেটতা য়াওশিল্লক্তনবা সিটি অসিগী এদমিনিষ্ট্রেসন্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা খঙহনখিবগা লোয়ননা য়ু এস লোগী মখাদা ফাইনান্সিএল হব অসিদা ফংহল্লিবা স্পেসল ষ্টেটস লৌথোকপগী খোঙথাংনা হোং কোংদা নত্তনা য়ু এসকী ইকনমিদসু শোকহনগনি হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

হোং কোংদা সিক্যুরিটি লেজিসলেসন থুনা চৎনহন্নবা চাইনিজ গভর্নমেন্টনা চয়োল অসিদা লৌখৎখিবা খোঙথাংগী পাউখুম ওইনা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন্না করি থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বদু লাউথোক্কনি হায়রি।

বৈজিংনা হোং কোংগী ওটোনোমি কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরক্লে হায়বগী অকিবা মরক্তা হান্নগী বৃটিশ কোলোনি অসিদা মীয়াম্না ইরাং হৌদুনা লাক্লিবনি। কুমজা ১০৯৭ তা হোং কোংবু চাইনিজ লৈঙাক্তা অমুক হন্না শীন্নখিবা মতুংদা সিটি অসিগী মীয়াম ৱান কন্ত্রি, টু সিষ্টেম হায়বা ফোর্মুলা অসিগী মখাদা মখল-মখা কয়াগী ফ্রীদমশিং ফংহনখি।

য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসন্না চাইনিজ ওথোরিটিশিংগী থৌওং য়ানিংদে হায়দুনা অথিংবশিং থল্লকপা তারবদি মদু ময়া অনী লোংবা থাঙশাংগা মান্নদুনা হোং কোংগী ইন্টরেষ্টশিংদা শোকহনবতা নত্তনা য়ু এসকী ইন্টরেষ্টশিংদসু চাওনা শোকহনগনি হায়না হোং কোংগী প্রো-বৈজিং গভর্নমেন্টনা শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা ফোঙদোকখি।

সেপ্তেম্বরগী মমাংদা চৎনহনবা হৌরগনি হায়না থাজনরিবা অনৌবা লেজিসলেসন অদুনা তোখায়না তানবা হোৎনবা, ওথোরিটিশিংগী মায়োক্তা ইরাং হৌনবা শীনবা, টেররিজম অমদি সিটি অসিদা মপান লৈবাকশিংনা খুৎ থিংজিল্লকপগী থৌওংশিং শোয়দনা লাকশিনবা ঙম্লগনি হায়না বৈজিংনা থাজরিবনি।

## ইন্দিয়াগী হেল্থক্যের ফেসিলিটিশিংগী রেভিন্যু চাদা ৮০ হন্থরে

নু্য দিল্লি, মে ২৯ (এজেন্সি) :
কোভিদ-১৯ পান্দেমিক্না মরম ওইরদুনা ইন্দিয়াগী প্রাইভেট হেল্থক্যের সেক্তর শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্লুরে হায়বসি ইরাই নুমিত্তা অনৌবা সর্ভে অমনা উৎখ্রে। সর্ভে অদুগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী হেল্থক্যের ফেসিলিটিশিংগী চাংচৎকী রেভিন্যু য়ামদ্রবদা চাদা ৮০ পান্দেমিক অসিনা মরম ওইদুনা হন্থরে হায়রি।

মার্চ ২৪ দগী লোকদাউন হৌখিবা মতুংদা ইন্দিয়াগী হোস্পিটালশিং মরু ওইনা খরা পীকপা অমসুং ময়াই ওইরপ চাওবা হোস্পিটালশিং চৈথেং চাওনা নংদুনা হৌজিক হিংদুনা লৈবগী মতাংদা ফাওবা অরুবা ৱাহংশিং মায়োক্লুরি।

হেল্থক্যের ইন্দষ্ট্রি বোদি নেটহেল্থনা ষ্টেট ৯ অমদি সিটি ৬৯ দা লৈবা হেল্থক্যের ফেসিলিটি ২৫১ দা কন্দক তৌখিবা সর্ভে অদুগী পান্দমদি কোভিদ-১৯না দোমেষ্টিক হেল্থক্যের ইন্দষ্ট্রিদা কদায় ফাওবা চৈথেং পীবগে হায়বদু খঙদোক্লুবা হোৎনবনি।



সর্ভে তৌখিবা হেল্থক্যের ফেসিলিটিশিং অদুগী চাদা ৯০ শেল-থুমগী প্রোব্লেম কয়া মায়োক্লুরে হায়বসি ফাইন্দিংস অদুনা উৎখি। ফেসিলিটি চাদা ২১ দি মখা তানা ওপরেট তৌবা ঙম্লরোইদবগী ফিভম ফাওবা লৈরে হায়বসি সর্ভে অদুনা উৎখি। কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা লাঞ্জংদা ফ্রন্ট লাইন দিফেন্স ওইরিবা হেল্থক্যের সেক্তরদা য়াম্না তঙাইফদ্রিবা রিলিফ ফংহনগদবনি। গভর্নমেন্টনা ইন্দিয়ন হেল্থক্যের ইন্দষ্ট্রি অসিবু অমুক হন্না হিংগৎহন্নবা ষ্টিমুল্যাস পেকেজ অমা লাউথোকফম থোকই হায়না নেটহেল্থকী প্রসিদেন্ট সুদরসন বালালনা ফোঙদোকখি। হেল্থ ওর্গনাইজেসন চাদা ৯০ শেলগী মতেংগী তঙাইফদবা লৈ হায়বসি ষ্টদি অদুদা খঙবা ঙমখি।

## গোৱাদা মহারাস্ত্রদগী লাকপশিং চঙহন্দবগী ৱাফম হৌদোকখ্রে

পনাজি, মে ২৯ (এজেন্সি) :
কোভিদ-১৯ কেস হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা গোৱা গভর্নমেন্টনা ষ্টেট অসিদা য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১৫ নিদি মহারাস্ত্রদগী লাকপা মীওইশিং চঙবা থিংগদবনি হায়না গোৱাগী পোর্ট মিনিষ্টর মাইকেল লোবোনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

লোবোনা হায়খি মদুদি, হীরম অসিগী মতাংদা মহাক্না চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সৱান্টতা ইদুনা হায়জরগনি। গোৱাগী কোভিদ-১৯ কেস অপুন্বগী চাদা ৯০ রোমদি মহারাস্ত্রদা চৎলুবগী হিষ্ট্রি লৈবা মীওইশিংগা মরী লৈনৈ। গোৱা মপুং ফানা গ্রীন জোনদা লৈখিবনি। হৌজিকসু ষ্টেট অসিগী ওইনা হায়বা তারবদি মখা তানা গ্রীন জোনদা লৈরি হায়না লৌবা য়াই।



ঐখোয়দা হৌজিক লৈরিবা প্রোব্লেমদি মহারাস্ত্রতগী লাকপা মীশিংগী মরক্তা অয়াম্বা ইনফেক্সন থেংনবা অসিনি। দিল্লিদগী লাকপা খরসু ভাইরস অসি পল্লুম্বা থেংনরে হায়না মিনিষ্টরনা পনাজিদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

ঐহাক মহারাস্ত্রগী মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবগী ৱাফম নত্তে, তৌইগুম্বসুং কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন ৱাংখৎলকপগী ফিভম অসিদা তঙাইফদনা নুমিৎ ১৫ নি মহারাস্ত্রদগী গোৱাদা মী চঙলকপা থিংবগী ৱাফম্নি হায়না লোবোনা ফোঙদোকখি।

মহারাস্ত্রদা কোভিদ-১৯ শন্দাকপগী চাং কা হেন্না ৱাংবগী ফিভম অসি য়েংদুনা ষ্টেট অসিদগী লাকপশিংনা গোৱাদা লায়না শন্দাকপা থিংনবগী অমত্তা ঙাইরবা পান্থৈদি গোৱাদা মহারাস্ত্রদগী লাকপা মীওইশিং মতম খরা থিংবা অসিনি হায়না মহাক্না মখা তাখি। চয়োল অসিগী অঙনবদা চীফ মিনিষ্টর সৱান্টনা মহারাস্ত্রতগী গোৱাদা লাকপশিংগী ওইনা তোঙানবা এস ও পি খন্নরি হায়খিবনি।

## লাইচৎ মরক্তা ওপোজিসন, রুলিং এলাইয়ন্সনা পোলিটিক্স তৌনরোইদবনি



নু্য দিল্লি, মে ২৯ (এজেন্সি) :
লৈবাক অসিনা কোভিদ-১৯ পান্দেমিক কন্না থেংনরিঙৈ মতম অসিদা গভর্নমেন্ট অমদি ওপোজিসন লেভেল অনীমক্তা পোলিটিক্স তৌনদুনা লৈবগী থৌওং থাদোক্কদবনি হায়না ন্যু দিল্লিদা মহারাস্ত্রগী স্পীকর রানা পাতোলেনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী শাথিবা কোরোনা হোটস্পোট ওইরিবা মহারাস্ত্রদা প্রসিদেন্ট রুল চৎনহন্নবা বি জে পিনা দিমান্দ তৌখিবা মতুংদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ইরাই নুমিত্তা নেসনল কেপিটেলদা এজেন্সিদা ৱা ঙাঙলদুনা পাতোলেনা ফোঙদোকখি মদুদি, ঐখোয়না মীয়ামগী মীপাইবা কোকহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা পান্দেমিক অসি পুন্না থেংনমিন্নগদবনি। ওপোজিসন অমসুং পার্টি অহুমগী কোলিসন ওইরিবা মহারাস্ত্রগী রুলিং এলাইয়ন্সনা পোলিটিক্স তৌনবা লেপকদবনি।

বি জে পিনা গভর্নরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিন্দুনা গভর্নমেন্টনা কোরোনাভাইরস পান্দেমিক লাকশিন্নবা হোৎনবদা মহয় য়ানবা ঙমদ্রে হায়না ৱাকৎপগা লোয়ননা মহা ভিকস অগাদি গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা ষ্টেট শীন-থুংনা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ৱার্নিং তৌখিবগী থৌওংদা স্পীকরনা নুংনাংবা উৎপগা লোয়ননা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

এসেম্বলি সেসন জুন ২২ দগী হৌনবা লেপখিবনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি মদুদি, সেসন হৌবগী অরোইবা ৱারেপ অসি জুন ১ দা বিজিনেস এদভাইজরি কাউন্সিলগী মীফম্না লেপ্পগনি। পার্লিয়ামেন্টকী সেন্ট্রেল হোলগুম্না মহারাস্ত্র এসেমব্লিগীসু সোসল দিষ্টেন্সিংগী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাকপা য়াগদবা স্পেস মরাং কায়না লৈ হায়না ফোঙদোক্লদুনা মহারাস্ত্রদা থেংনরিবা খ্বাইদগী শাথিবা লাইচৎকী ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা গভর্নমেন্টনা হৌজিক অচৌবা শীংনবা অমা মায়োক্লুরি।

## জে এম বিগী লুচিংবা বোরো করিম বেঙ্গলদা ফারে

কোলকাতা, মে ২৯ (এজেন্সি) :
কোলকাতা পুলিসকী স্পেসল টাস্ক ফোর্সনা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা বাংলাদেশতা বেজ তৌবা টেরর আউটফিট জমট-উল-মুজরহিদিন বাংলাদেশ (জে এম বি)গী মকোক থোংবা ওপরেটিভ অব্দুল করিম এলিয়স বোরো করিম ফারে হায়রি।

অব্দুল করিম এলিয়স বোরো করিম ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মুর্সিদবাদ দিষ্ট্রিক্টকী জাংকিপুরগী সুটি পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মফম অমদগী ফাখিবনি। টেররিষ্ট এক্তিভিটিশিংগা মরী লৈননা ফাননবা হোৎনরকখিবা জে এম বিগী মকোক থোংবা কম্মান্দর অমা ওইরিবা অব্দুল করিম ঙসি অয়ুক লোকেল পুলিসকী মতেংগা লোয়ননা জাংগিপুরদগী ফারে। মহাক ঙসি কোর্টতা পুথোক্কনি হায়না কোলকাতা পুলিস স্পেসল টাস্ক ফোর্সকী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

কোলকাতা পুলিস এস পি এফনা জে এম বিগী কম্মান্দর অসি পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌনবা হোৎনরগনি। মহাক ফাবগা লোয়ননা ইন্দিয়াদা লৈরিবা জে এম বিগী মকোক থোংবা টেররিষ্ট মশিং অনীদা ঙাইরে হায়রি।

করিমনা ধুলিয়ন মোদ্যুলগী মরু ওইবা লুচিংবা ওইনা থবক তৌখি। লোজিষ্টিক্স সপ্লাই, সলাহুদ্দিন সলেহিনগুম্বা মকোক থোংবা লিদরশিংগী লৈফম শীনবনচিংবা মরু ওইবা থবক তৌখি। জে এম বিগী চীফ সলেহিনগী মথংদা করিম্না ইন্দিয়াদা ওপরেট তৌবা গ্রুপ অসিগী অনীশুবা খ্বাইদগী মরু ওইবা লিদরনি হায়না লৌনৈ হায়রি। বাংলদেশতা জে এম বিগী টেররিষ্টশিং ৱাহং পাউহং চথুখিবদা মহাক গ্রুপ অসিগী মরু ওইবা লুচিংবা অমনি হায়না ফোঙদোরকখি হায়রি।

## রাজ নিৱাসতা মরি পোজিটিভ ওইরে

নু্য দিল্লি, মে ২৯ (এজেন্সি) :
দিল্লিগী লেফটনেন্ট গভর্নর অনিল বাইজাল ওফিসতা লৈবা ষ্টাফ মেম্বর ৪ কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরে হায়না ইরাই নুমিত্তা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসল সোর্সশিংগী মতুং ইন্না রাজ নিৱাসতা কোভিদ-১৯ কেসশিং দিটেক্ট তৌবসি হন্দক্কীসিনা অহানবনি। মীওই মরি অসিগা নকশিন্নবা মীওইশিং ট্রেসিং তৌরি। অতৈ ষ্টাফ মেম্বরশিংসু নুমিৎ খরনি অসিদা টেষ্ট তৌথোক্লগনি হায়না ওফিসল অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

"ꯑꯦꯇꯦꯟ" ONLINE CLASSES ꯑꯦꯇꯦꯟ
FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK
Detailed explanation of every lesson
Complete discussion of exam-related questions
Free supply of printed questions and answers
Weekly exam-oriented tests.
Nowhere can you find such English coaching class.
ASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITE
6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM.
PLEASE CONTACT 8974642764
HL-B/6186/21/5-21/6